Sunday, February 07, 2016, Imphal

HUEIYEN LANPAO

> “পুন্সি ঈপাক্তা ইরুপ্তুনা
> খৌরাংনা থিরি ঐসু,
> ঐগী মাঙখ্রবা মঙলান কয়াগী
> শক্লাইদবা মোংফমশিং।
>
> নুংশি ঈপাক্কী কোঙ্গোলনি ঐদি
> অদুবু মপান নাইদ্রবা সমুদ্রগী নুংশিবনি
> ঐগী থম্মোয়গী ইখৌলাংবদি।”
>
> —অব্দুল সহীদ চৌধুরী, আসাম



## লাইরৈবাক্কী পাউদম

*রঘুবীর থিয়াম*

ঐহাক শিবা কুইরে
হৌজিক লাইরৈবাক্তা লৈরি,
হাত্তোকপীরকপনি লাঞ্জদবা ঐবু
কাঙলূপকী ঈরাং অমদা তমথিনা,
পাউদমজরিবসি রঘুবীরগী থৰায়নি।
জাৎ-বিজাৎ খায়দে লাইরৈবাক্তা
চৎনদে তোঙান-তোঙানবা ধর্ম্ম,
য়েংনৈ অমত্তা ওইনা মীৎয়েংনা
থৰায় পূম্নমক ইমুং অমগুম্না,
লৈমিন্নৈ নুংশি চান্ননা।
কাঙলূপকী ঈরাং লৈতে মফমসিদা
চামিন্নরি পুখম অমত্তদা নুংশিনা
চীংগী ইতাওগী থৰায়গা-ঐগা,
ফিদি অমত্তা শেৎতে ঐখোয়
হোংদোক্লস্বনা তাইবঙ ফিজোল
তোর্ব্বান্দা, মৈতান্না ৰাখৈবদা।
ইশা-ইশাগী ইমি তাদে
খোঙগা লৈবাক্তা শম্নদে
অপান্বা কল্লকপা মিহৌবা লৈতে
ভোট খোম্নদে ভোট লেপ্লদে
চারিমখৈ ইহাওদমক হাওই
চাদ্রবসু পুক্তি অদুম থল্লি।
যীশুনা য়াউ শেল্লি
শ্রীকৃষ্ণনা ষণ শেল্লি
গান্ধিজীনা লং নাই, ৰাক্কিং চৎলি (শাজেল ওইনা)
কংসগা-কৃষ্ণগা চাকখুম পুল্লি
রামগা-রাবণগা শান্নমিন্নৈ চামিন্নৈ
কৌরব-পাণ্ডব খৎনদ্রে
শকুনিগী মৰা লৌবিদ্রে।



লান শোক্লদে খূৎলায় শাদে
শেল চাদে হাওসি লাউদে
লাইরৈবাক্তা সনা শিদে
থৰায় অমত্তা শিবা নাইদে
শিদ্রবনিনা মীশিংদি য়াম্লে,
শোরাৎ শোনদে পোৎয়েং তিংদে
নুপীনা জর্দা চাদে, য়ু ফংদে
লাইরম্লেন “ড্রাই ষ্টেট!”
লাইরম্লেন “ড্রাই লেন্দ!”
কাঙলূপকী ঈরাংদা য়াওরকপশিং
লালহৌবগী মিংদা শগুণ তৌরকপশিং
অহল-লমন, মমা-মপা মীরায়রকপশিং
গান্ধিজীগী চৈশুনা চাম্মরক কল্লি
মখূত্তো হোরায়না লেল্লি।
থৌরী য়ান্দুনা হু চাদুনা
আত্মাঘাৎ তৌরকপা থৰায়শিং
কোইপাই পাইদুনা লৈহল্লি
নন্দনকানন্দা চঙহন্দে,
সেল্লি সেক্সপিয়ার ইলিয়ত নীলকান্ত
রবিন্দ্রনাথ বঙ্কিম শৈরেং ইহল্লি
সোরারেন নিংথৌনা নুংঙাইনা থম্বী।
মরৈবাক্কীদমক মথৰায়না পোন্থা পীরকপশিং
অহাওবতা পীজৈ লুনা তৌই। য়াইরিপোক থম্বালনু,
থাঙ্গাল, টিকেন্দ্র, ভগৎসিং অহাওবতা চায়;
ঈশৈ হৈরকপা যন্ত্র খোংলকপশিং
পহারী, তোম্বীস্না, থিয়াম চাউবা
ঈশৈ শকহল্লি খোংহল্লি য়ৈহল্লি,
মফিদি অমত্তা শেৎত্রে লাইরৈবাক্তা
হোংদোক্লস্বনা তাইবঙ ফিজোল,
অশি-অচঙগী লংদাই-তোর্ব্বান্দা;
হন্দক্তা নৌনা থুংলবা ডামিনী
হরাও-তরাম্না লকখ্রে লাইরৈবাক্তা
পরিজাৎ পরেং হুক্তুনা নন্দনকানন্দা।
মীশি মীনা থোক্তে মফমসিদা
রেপ তৌদে ধরনা ফমদে বন্দ তৌদে
নোংমৈ পায়দে কাপ্পদে মখোল তাদে
অঙাং হাত্তে নুপী লক্লদে
লম্বী থিংনদে রেন্সম তানদে,
অদুনা, ঐদি হল্লরোই মালেমদা অমুক
মীওইনা অমুক পোক্লরোই;

সোরারেন্দা হায়জরগা মখোঙ পায়দুনা
লৈরনি লাইরৈবাক্তা নুংঙাইনা অসুম্মক
“অমরাবতী” কোনুংদা লেঙদনা।
তৌবতবু মসিমদি নুংঙাইতে, থম্মোয় শোকই!
চহী নৌরিবী, মায়থোঙ ফজবী,
হিংদুনা লৈহৌবী, ঐগী নুপী লুখ্রাবীনা
ফজবা পাখঙ মচা-মচাদা
মোমোন নোক্লা মীৎচি খৎপদু
ঐনা উই, ইঙান ঙান্না লাইরৈবাক্তগী।

## মমহল্লবা অহিং

*হরিদাস খোংবান্তাবম*

অমম্বা
অহিংগী অমম্বা
নঙনা অসুম অসুম মমহল্লক্লি
অহিংগী ফজববু।
নঙনা তাহল্লক্লি
খোঞ্জেলশিংবু ময়েক শেংনা
তুমিৎ-কাঙগী কৌজেং-হারৌশিংগী
পূম্নমকশিংসিনা মবুক থলহল্লিবা
মবুক চাউবা হঙোইশিংগী।
নঙনা মমহল্লক্লি
লম্বীসে
অদুঙৈগী ইঙানতা ঙানজরম্বা
লম্বীসে।
অদুগা অমুক
পীকশিলহল্লক্লি লম্বীসে
অসুম অসুম,
অসুম অসুম
মচেৎ অমদগী মচেৎ অমা
মতেক অমদগী মতেক অমা
পীকশিলহল্লক্লি
অসুম অসুম পীকশিলহল্লক্লি।
অহিংগী ফজবদি অমম্বনি,
অমম্বদুখক্তনি
তন্দনশিংগী হরাওনফম
থৰান-থাবলগী ওইনজফম
লৈনম কয়াগী শান্নফম।
হৌজিক্তি
অমম্বগী ফজবশিংসে
মমহনখ্রে অমম্বলক্তা অসুম অসুম,
মমহনখ্রে নঙনা অসুম অসুম
চৎলিবা লম্বীসিসু,
উহনখিদ্রে অসুম অসুম
ইশানা ইশাফাও।

## ঐগী ৰাখল

*কান্তা মৈরালাকপম*

পৈশা খংপাই পায়রবা
তোংনিংবা কার তোংলবা
যূম বিল্ডিং শারবা
ঐগী ৰাখল।
করম তৌরগা
করি শুরগা
করি ওইরগা
পৈশা পায়গদবা।
খল্লি ঐনা
পৈশা পায়ন্নবা
লম্বী মখলশিং
পৈশাদি পায়দে।
পৈশা পায়গদবা
নুমিৎসি কয়াম
ৰাৎলিগবা
খনবা লেপ্তে ঐনা
নুমিৎ খুদিংগী।



## অকিবা

*ৰাংথোই খুমন*

অকিবা হায়বসি তিলনি ইঙ্খোলদা তাবা
ৰাখলগী পামেলবু পূম্মাঙ মাঙহনবা ঙম্বা,
মায় পাকপগী পাম্বীশিংদি মনীং তৌনা
হৌগনি অকিবা লৈত্রবা ইঙ্খোলদা।।

### ঈশৈ -১

## ননাক্তা লেপ্পরবা ভিক্ষারী ঐনি

ননাক্তা লেপ্পরবা ভিক্ষারী ঐনি
করিগী হন্থনা য়েংবিরী নঙনা
নহাক্কী মীৎয়েংদা লোইখ্রসু থৰায়
নুংশিবা কৌবদি মাঙখিবা ঙম্লোই।

ৰারৌবা হৈত্তরবা ঐহাক্কী থম্মোয়
চৈনাখোল খাঙবদা কেল্লবা পুন্সি
ঙসিসু খাংখিনি চৈনাসে নৌহৌননা
লেপ্পবনি চৈনাসে মপোক্লি খন্দুনা।

করিবু লানখিবা নহাক্কী নফমদা
নুংশিরুই হায়বগী ইরালসি নত্তনা
করিগী তমথিনা নৈহৎকে খল্লিবা
নঙগীদমক লেপ্পরবা পুন্সি অমবু।।

*শৈরেংবা : এ সি নেত্রজিৎ*

### ঈশৈ -২

## পিরাংনা পিরোইনবা মীৎস্না

পিরাংনা পিরোইনবা মীৎস্না
চুগনু ইঙাগী নোংহৌগুম
নমখায়রক্কনু পাগী পল্লোনসু
মায়থোংতগী ফজবা মাঙদনবা।।


মিনম্বীরম্লে ঐগী থম্মোয়দা
নুংশি হৈত্রবী মহাক্লা
খাঙলগে অৰাবসে লোৎতুনা
নুংশি মকাদা য়েত্তনবা।।

ফুক্তৎতুনা থল্লগে ঐগী থম্মোয়
হৌরক্তনবা মাগী নুংশিবা
পামদরে অমুক হৌরকপা
থম্মোয়না চৈনা খঙদনবা।।

*শৈরেংবা : জিতেন ওইনাম্বা*

# ইনেম্মচা

## (অচুম্বা ঙাঙবদা নোরক্তা তাগনি হায়রবসু তাজরগে হায়রিবা অমা)



| | |
|---|---|
| মমিং | ঃ ইনেম্মচা |
| মখল | ঃ নোভেল |
| অইবা | ঃ এস ঐচ প্রহলাদ শর্ম্মা |
| ফোঙবা চহী | ঃ ২০১৫ |
| লামায় | ঃ ১৬২ |
| অফোঙবা | ঃ শ্রীদর্শীনি বুক পব্লিকেশন্স, ইরোইশেম্বনা মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফালগীদমক |
| মমল | ঃ লু: ৩০০/- |
| ফংফম | ঃ ১) মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফালগী ওফিস ২) ইম্ফালগী লাইরিক য়োনফমশিং |

### পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

**লাইরিক** অসিমক্তি ‘ঐনা নঙবু নুংশি’ হায়বা ৰাহৈ অহুম অসিদগী থোক্লকপনি। ৰাহৈ অহুম অসি হায়নবা হোৎনবনা তঙ্খায় অমা, অদুগা ৰাহৈ অহুম অসি হায়রুবদগী থোক্লকপা ৰাথোক অদুনা তঙ্খায় অমা ওইরগা মপুম শারকপা ওন্থোক্লা ফজবা খূৎশেম ৰারী অইবগী ৰাহৈদনা ‘শাগৎ ৰারী’ (নোভেল) অমনি। প্রহলাদবু ঐখোয়না খঙনবদি কবি অমা ওইননি। মাগী শৈরেংশিংগী মনুংদসু মাগী ‘ইমা’ হায়বা অশাংবা শৈরেং অদুনা মাগীদি মাষ্টরপিসনি হায়নরিবনি। অদুবু ঙসিদি অমুক মাগী ‘ইনেম্মচা’ বু কোন্দুনা পুশল্লক্লে ঐখোয়গী খোরিরোলগী লাইশঙ অসিদা। ঐখোয়না মাগী ইনেম্মচাগী মফম অমা পীদবা য়াররোই। ‘মাধবী’ দগী ঙসি ফাওবা চত্থরক্লিবা খূৎশেম ৰারী মপুম হায়গদ্রা নোভেলগী পরিংদা ঈখায় অমা পীররে মাগী ইনেম্মচানা। মসিদি তোপ তোপ্পনি। মসিদি অফোংবা নুংশি চিঠী অমনি। মসিদি খূৎশেম ৰারীগী মনুংদসু তাঙনা থোকপা মশক্লি। ইংরাজি খোরিরোলদা মখল অসি হোদোক্লম্বদি সেম্যুএল রিচার্দসননি। অদুবু ঐখোয়গীদি প্রহলাদনা হাল্লরে। অসুক নুংশি ঈখৌ লংবা, অসুক খোয়রাংবা, অসুক নুংশিবা থম্মোয় অমগী মৈচাক পুবা মায়ওন অমা শেল্লরে, তুংগী মীরোলগী মিৎ-মায় ওইহৌরনি। মসিদি মীপুম খুদিংগীদমক নুপা ওইবা খুদিংমক্কী মহুৎ শিল্লগা প্রহলাদনা ইবীরল্লবনি। নুংশিবদা যূম্ফম ওইবা, নুংশিবদা চহী, জাৎ, মফম, মতম লৈতে হায়বা উৎনবা হোৎনরিবা লামায় ৩২১ পানবা ফজখ্রবা নোভেল অমনি। হেন্না ফজরিবনা অইবসিনা শীজিন্নরিবা ঐখোয়গী লৈজরক্লবা প্রমান পান্থে, পাউরৌ ওন্থোক্লা মরাং কায়বা অসিনি। করি অমুক হায়গনি, লৈবু লৈহৌরমখিদ্রা হংনিংলকই। ওন্থোক্লা মপা চানা চানা ফজখ্রবা প্রমান পান্থে, পাউরৌ হাপ্লকপনা পাবদা চোকথবা শুক্লে লৈহন্দে। তশেংনা পুক্কে ওইনা লৈহৌরগনি।

ৰারীদি কৈসু লৈবা নত্তে। ‘ঐ’ হায়বা লমচৎ অমা য়েক্লগা, মানা নোভেল অসিগী প্রোটাগোনিষ্ট ওইরগা মাগী নুংশিজবী অদুদা পাউমেঞ্জবনি। তৌরিবা থৌদৌনা ‘ঐ’ হায়রিবা অসিগা মাগী চান্নবী অসিগা ইচম চম্না শকখঙনবদগী, অসুম অসুম নকশিন্নরকপনি। ‘ঐ’ হায়রিবসিনা হেক শকখঙনবদগী থম্মোয়দা নুংশিজবা অমা ফাওখিদুনা ‘ঐনা নঙবু নুংশি’ হায়না ফোঙদোকচনবা হোৎনবদা চহী ১৫ হেন্না চঙবগী ৰানি। অদুবু হেক ৰাফম অসি নোংমা ফোঙদোক্লুবদগী থোক্লকপা থম্মোয় অনীগী লাপ্ন রকপা মতৌ অমদি ‘ঐ’ হায়রিবসিনা মদুদা খাঙজবা ঙমদবা মওং অদুনি। অসুম খাঙলম্বদগী ৰাংমা লাল্লক্তুনা অফোংবা চিঠীগী মওংদা হেক খঙনবদগী লোইবা ফাওবা নীংশিং ৰারী ওইনা লীথরকপনি। অদুনা মসিদি মেমোয়ার অমনি, নীংশিং ৰারীনি হায়রবসু য়ারে। লমচৎ অনী অসিনা লোইরে, সব-প্লোটতি লায়রদনা প্লোট মপুংফাও য়াওদে। অদুবু প্লোট য়াওদবা নোভেল অমনা কয়াম ফজবা য়াবগে হায়বদু প্রহলাদগী মমাঙদসু ঐখোয়গী লময়ানবা নোভেলিষ্ট হিজম গুননা উৎখ্রে, মাগী ‘বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোদ’ হায়বদুদা। অদুবু মখোয় অনীগী ৰারী লীবা হৈবগী চাং খেন্নৈ, অমমম্লি। প্রহলাদগী ৰারী লীবা হৈবা মওং অসিদি য়ূম মৈ চাকপীনি, স্বর হোন্দবীনি, মাগী মিৎমাঙদগী অপাববু খক মমিৎ চোইখিদনবা হোৎনরিবনি। ই এম ফোর্ষ্টরনা হায়বা নোভেল ইবগী খ্বাইদগী মরু ওইবদি ৰারী লীবা হৈবা অদুনি হায়বদুমক্লি। কয়াম নুংশি, ‘ঐ’ হায়রিবা প্রোটাগোনিষ্ট অসিনা মাগী ইনেম্মচাবু নুংশিজবা মওং। তৌরিবনা মশামক্তি চহী ৪০ মথক ওইরবা, মতু মচা লৈরবা, মীয়ায় চল্লক্লবা নুপা অমা, অদুগা মাগী ইনেম্মচানা লৈশাবী শরি, অদুসু মমান্নবা অমনা নোংমা খোরিরোলগী থৌরম অমদা মখূৎ শোক্লহন্দুনা খঙনহল্লম্বা। মিং হংনবদা ‘ইবেমচা’ কৌই হায়বদু ‘ঐ’ হায়রিবসিনা ‘ইনেম্মচা’ ওইনা তাখি। মানা অদুম কৌজরগে হায়খি। ইচম চম্না লোয়নৈ অনীমক। খোরিরোল থৰায় য়াওবা য়াওবী ঙাক্তনি। ইনেম্মচানা শৈরেং ই, সরকারগী থবক অমসু তৌই হায়রি, করিগুম্বদা মীগী লাইরিক্কী মরমদসু ৰা ঙাঙই। ‘ঐ’ হায়রিবা মহাক্তি অদুক মমিং লৈবা অইবা ওইদে। অদুবু মখোয় অনী হেক থেংনবদৈ ‘ঐ’ হায়রিবসিনা নুংশি হায়না ফোঙদোক্লবা হোৎনরকপা, নকশিন্নবা হোৎনরকপা কয়াদুনা লাইরিক তঙ্খায় চল্লবফাও চত্থরকই। অদুবু পাঙ্গল পূম্বা তাশিন্দুনা নোংমা ফোঙদোক্লুরে মখোয়গীদা উনবা অমদা। নুমিত্তুদা অশাউবা উৎলমদ্রবসু ইনেম্মচাদি অদুম লাপথোকখ্রে। কয়াম লাপথোকখ্রগে হায়ববু ‘ঐ’ হায়বসিগা উনদনবা হোৎনখ্রে। অদুবু আশাদি মাঙহন্দে ‘ঐ’ হায়বসিগী। তুমিন লৈখিবনি। মদুদা ‘ঐ’ না কয়াম চাকচবা, কয়াম ৰাজবা, অপাবা খুদিংগী স্বর ফুয়না হোনগনি মতৌ য়েংবদা। শোয়দনা ‘ঐ’ হায়বসি কনানো, অদুগা মাগী ‘ইনেম্মচা’ হায়বসিনা কনানো শোয়দনা থিনিংলক্কনি। অদুবু অইবা প্রহলাদনা ওন্থোক্লা হৈনা লোৎখ্রে মশক। লামায় অমদা ৰাহৈ অমা, লাময় অমদনা মশক অমা অসুম খজিক খজিক ফোঙলকপনা লাইরিক অসি পাবা লোইদ্রিফাওবা মশক মতৌ লেপ্পা ঙমহন্দে। মসিনি অইবসিগী মায় পাকপা। লমায় অমদা থেংনগনি ইনেম্মচাগী মশক অসুম্না, “উরেং-মচুগী ইন্নফিদো, কোফি মচুগী ফুরিৎ অদো, কয়াদা নীংথিজখ্রবা, নঙগী মায়থোঙদা ফজবগী মহুম শাজিল্লমাল্লে খল্লকখি।” (লাঃ ২২) মসিনা তাক্লি, ইনেম্মচা থীদ্রে, শেৎপা চাবদা পকচবী ওইরে। লামায় অমদা অমুক হায়রক্কনি, “নশাদো চাউখৎমনখ্রে, হন্থহল্লুনে। হয়েং পোৎলোয় শেৎপা পকচররোইনে।” (লাঃ ৫৩) অদুবু ‘ঐ’ হায়বসিনা শোঞ্জে কোন্না “নোয়জরবসু কুচুদি করি হয়রুনি, মহাক্লা শিরিবা সনাদো মচু থোক্লমদে, মশাগী সনাই কুচুদা।” (লাঃ ৫৩) মসিনা তাক্লি, ইনেম্মচা ঈ থাংনা ঙৌই হায়বা। ‘ঐ’ হায়রিবসিদি মশানা কুচু মুই হায়জৈ অদুনা মানা ইনেম্মচাগা রিক্সো তোংমিন্নবদা ক্বাক অমগা উরোক অমগা ফৈরা অমদা তোংমিন্নবা মাল্লম্লগনি হায়জৈ। অদুবু পুকচেলদি ‘ঐ’ হায়বসি মশানা নাপল তৌজৈ, মীগী ফত্তনবা খঞ্জদবা, অচুম্বা ঙাঙবদা নোরক তানি হায়রবসু তাজরগে হায়বা মীতানি। মশানা হায়জবনি। মহাক্লা ‘জহেরা’ গী কুঞ্জোবু নুপী হাৎপনি হায়না চৈ, ‘ওথোল্লো’ বুসু মাগী নুপীমক হাৎপা তুক্কচবা মীশক্লি হায়জৈ। মাদি ইনেম্মচাগীদমক শিবা ফাওবা ঙমগনি হায়জৈ।

অদুবু ইনেম্মচানদি মখোয় অনীগী মরীসি ওইথোকপা য়ারোই খনবনা তুমিন্না লাপ্না লৈখিবনি। নুংশি হায়রক্তে, নুংশিদেসু হায়দে, অদুনা ‘ঐ’ হায়বসি খাংগী মৈথক্তা লৈ। অদুনা অফোংবা চিঠী অসি শেল্লকপনি। মাগী থম্মোয়গী ৰাঙাক্তনি ঙাঙলিবা নীংশিং নীংশিং, মখোয়গী চুজাক কবোক চামিন্নখিবা, থাঙ্গদা খোরিরোল থৌরম চৎমিন্নখিবা, নোংমসু রিক্সোদা তোংমিন্নখিবা, নোংমসু থওইনা ঙাইনদুনা ইচম চম্না কা অমদা উনখিবা কয়াদু। অদুবু ‘ঐনা নঙবু নুংশি’ হায়না হেক ফোঙদোক্লুবদগী ৰারীগী মায়কৈ হোংখি। ৰাহৈ অহুম অসি হায়রুবনা ৰারীগী পন্দোম লোল্লে (ক্লাইমেক্সনি)। অদুনা মায়থীরবা ‘ঐ’ না মখোয়নীগী ৰারীসি ইথোক্লল্লগা কলম থুদেকখ্রে।

চুম্না য়েংবা তারবদি লাইরিক অসিগী পংখৈ লৈ। ‘ঐ’ হায়না ৰারী লীরুবনা ইনেম্মচাগী মায়কৈগী ৰা ইবা ঙমদ্রে। অদুনা নোভেল ইবদা ফার্ষ্ট পর্সন্না লীবা ৰারীগী অৰাৎপদু নোভেল অসিদা থোক্লরে। অদুম ওইনমক প্রহলাদগী ৰারী লীবা হৈবা অসিদি খুদম ওইনা লৈহৌরনি। মাগী প্রমান-পান্থেগী পুক্কে অসিদি শিখিদৌবা হেক পান্মুই হায়বদুনি। মানা অপাবশিংবু মাগী কলমগী মতুং ইনবা শুক্তোক তোকহন্দে। মানা কংলা মচিন্দা ইনেম্মচা ঙাইবা য়াওহল্লি। মাগী ইনেম্মচানা হেক হেক পুরকপা চুজাক কবোক চামিন্নবা য়েংহল্লি। অদুদগী হেন্দোক্তুনা মাগী ‘ঐ’ হায়রিবসিগী মমঙদা ইনেম্মচাগা লোয়ননা কংলা মনুংদা লুহোংবা ভাবোক ওইহল্লি। অইবা অসিনা থৰায় অনীসি তাইবঙদা থুংনদ্রবসু মঙলান্দা থুংনহল্লি। মসিদি আশা মাঙদ্রি হায়বনি, ওন্থোক্লা হৈ-শিংনা অওইবদা মালহল্লি। প্রহলাদগী পুন্সি ৰারী হেক মাল্লকই। মানা ফনা লোৎলবসু।

মায় পাক্লে হায়বা তাই। অইবগী তানশিঞ্জরকপা লৌশিং পূম্বা হেক থাদদুনা শেল্লকপা খূৎশেমনি। তাঙ্কক অমদনা কালিদাসকী ‘মেঘদুত’ পাবগুম নুংঙাইহল্লি, তাঙ্কক অমদনা শেক্সপিয়ারগী সোনেট পাবগুম মৈচাক ফাওহল্লি, তাঙ্কক অমদনা হরি বংস রাই বচ্চনগী ‘মধুশালা’ গী পুন্সি-য়ুগী মহাও হাপ্পা ঙম্মী, ঐখোয়গীদা হায়রগনা পাচা মৈতৈগী খূৎই ওন্থোক্লা নকশিনখ্রে। তেনতক তেন্তকপা পরেং, শৈরেংগী মহাও, ঈথিল পীবা ৰাহৈ মরাঙ কায়না য়াওরে।

অদুবু লোইনা পাউদম্বদি ঙম্লোইদৌরে। লোইশিল্লকপদা ৰাহৈ অমতংদি হায়নীংঙি। মতম কুইনা চঙনা ইবগী মমি তাই। হঞ্জিনবা ৰাহৈ, হঞ্জিনবা ৰাফম কয়া থেংনৈ। অদুগা লোইশিনবা য়াবা মতাংদা লোইশিলহৌদবনা মমৈদা মোনোটোন্স পোকহনবা য়াবা শরুক য়াওরি। লোনয়ান য়াওদনবা হোৎনবদা লোনশেম খরদি মরিং মরাং থোকপা য়াওরি - খুদম ওইনা, কাটিবু চপথাঙ, কম্বলবু লুমফি, চিনীবু চুথুম, পংখাবু হুমাই, দুকানবু পোৎশঙ অসিনচিংবা। পূম্নমকসি ওইদুনসু ইনেম্মচাদি খক মীরাইবা য়াররোই। অইবনা তাক্লিবা মায়কৈদা থিবা য়াওনিংলকই। অৰাং পাংনা চৎখিবা ওটোগী মতুং ইন্নিংলকই - কোইরেঙ্গৈ য়ৌব্রা, লমলোং বজার য়ৌব্রা তান্ননিংলকই। অদুগা পোত্থানিংলকই ‘ঐ’ হায়বদুনা হেক হেক ৰারগা শোনবা-ওঁ শান্তি, শান্তি, শান্তি। ৰাহৈ খরসিদি লাইরিকসিগী দা ভিন্সি কোদনি। ৰাহন্থোক্লা পীক থনবা ।।

# কর্ম্ম

## খুশৱান্ট সিংহ

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

**‘ঐদি** পাবা লোইরে’ হায়বগী মতৌ উত্তুনা পাউচে অদু অতোপ্পা মীশিংনা পানবা অমুক্তা ৰায়গে হায়নীংলক্কদৌবা মওংদা মাগী নাকন্দা থমগনি। অদুগা করিগুম্বদসু মাগী, লম চত্থোকপা খুদিংদা পুনবা বেলিওনগী টাইদুনসু মীগী পূক্লিং মঙোল্লোমদা চিংশিনগনি। থৌওংশিং অসিনা মাবু অদুঙৈ ওক্সফর্দতা লৈরিঙৈগী পুন্সি, কোলেজশিং, য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিং, ট্যুটরশিং, মাষ্টর তল্লিবশিং অদুগা হি লমজেল তান্নখিবা, রগবি শান্নখিবা পূম্নমকপু নীংশিংহনগনি। করিগুম্বা ‘দ টাইমস’ অমসুং বেলিওনগী টাই অসিগনা মঙোন্দা মীগী পূক্লিং চিংশিনবা ঙমদ্রবদি সার মোহল লালনা “কোই হৈ!” হায়না কৌদুনা সেবারিদা স্কোট্চ্ অমতং পুরক্লবা হায়গনি। অসিগুম্বা স্কোট্চ্কী হ্বিস্কি অসিনদি শোয়দনা মীগী পূক্লিং চিংশিনবা ঙমগনি। অদুদগীদি সার মোহন লালনা মাগী সনাগী চুরুট হাপ্লবা কেস অদুদা য়াওবা ইংলিসকী চুরুট অদু পুথোক্লক্কনি। করম তৌনা মানা মসিবু ফংবা ঙল্লিবা হায়বা অদোমদা তশেংনা খোইজংলুদ্রে। সার মোহন লালগী পূক্লিংদু মতোমতা মোমোন্দি তৌরম্মী - অদুগা তশেংনা অদামদদি খল্লুদ্রে। অদুবু মহাক্লা ইংলিসমেনশিং অদুদা মহাক মতম অমদা ইংলেন্দদা লৈরম্মী হায়বদু উৎনবা হোৎনরিবা মওং ওইবা জাৎলা? উৎ মচুগী খাউ অমসুং লাইরিক তল্লিঙৈগী ফিজোলশিং, শান্ন-খোৎনবদা লীৎখিবা ব্লেজরশিং, ইন্স ওফ কোর্দতা মিক্স দবল শান্নখিবা, দিনর চাখিবা, পিকাদিলিগী ওক্তবীশিংগা অহিং কয়া লেনখিবা চহী মঙারোমগী পুন্সি নীংশিংলক্লি। অরং অরাক্কী মীওইশিংনা থল্লবা মীয়ামদুগা লোয়ননা লেনখিবা চহী মঙাদু অমরোমদা, মওং তাবা পুন্সি ওইদ্রিবা, মোৎতাই চুদাইনরবা মরৈবাক মচাশিংগা চহী নিফুমঙা লেল্লক্লিবা মাগী পুন্সি, মশা নোয়খৎলবী, অহল ওইশিল্লক্লবী মাগী লোয়নবী লাচমিগী মনাক্তা অহিংদা চত্তুনা কেন-ওইনবা, নুংশিবগী লৈনম নম্লুবা পূম্নমক অসিদগীদি চহী মঙাগী তেল্লবা পুন্সি অদুনা হেক মরেক মহাও থোকপগুম নীংলি।

সার মোহন লালগী মঙলান্দু বিয়ারর অমনা সাহেপশিংগী মপোৎ মচৈশিং খরা ইঞ্জিনগা তাইনবা ফার্ষ্ট ক্লাসকী কাদুদা থাঙ্গৎলক্কে হায়না লাউবদুদা কায়হল্লম্মী। সার মোহন মানা লৈরিবা কাদুদা হঙ্গৎ হন্দা চত্তুনা ফীভমদু য়েংলম্মী। মহাক নুংঙাইজরমদে। মাগী কম্পার্টমেন্ট অদু হৌজিকসু হাঙলি। মহাক কাচিন অমদা ফমথদুনা মমাঙদা কয়ারক হন্না পারবা ‘দ টাইমস’ কী কপিদু হাংদোক্তুনা অমুক্কসু য়েংলম্মী।

সার মোহন মীয়াম্না লাউনরিবদু তম্না থোঙনাউ ফাওনা প্লেটফোর্মলোমদা য়েংথোক্লম্মী। ইংলিস সিপোয় অনীখক অহাঙবা কা থির-থিরদুনা, চোকথনা লাক্লিবদু উবদা সার মোহন মায়থোঙ মকা লাম্লম্মী। মশা মশাগী পোৎ চৈ হাপ্পা খাউশিংদু মনঙ্গলদা পোরদুনা তুরোই ঙাম্লোই চৎলি। সার মোহন্না মখোয়বু সেকেন্দ ক্লাসতা চৎকদবা কাঙবু ওইরবা ফাওবদা মাগী কাদুদা হরাউ হরাউ তরাম্না ওক্কে খঞ্জরম্মী। সার মোহন্না ৰাফমদু প্লেটফোর্মদা লৈরিবা গার্দ অদুদা হায়খিবা ওইবা তাই, সিপোই অনীদুগী মনুংদা অমা ফার্ষ্ট ক্লাসকী অরোইবা, মোহন্না ফল্লিবা কা অদোমদা লাক্তুনা, থোঙনাউদা মকোক থিংজিন্দুনা য়েংলম্মী। কম্পার্টমেন্ট অদুদা লৈরিবা হিপ্পফম অদু হাঙদুনা লৈরিবা অদু মহাক্লা উরে।

“‘সিদা, বিল” মানা হৌনা কৌরকই, “‘সিদা অমা লৈরেহে।”

মাগী মপাঙদুসু অদোমদা লাক্লে অদুগা মনুংদুদা য়েংশিল্লম্মী। সার মোহন লাল মতোমতা ফমদুনা লৈরিবদু উরে।

“নেগ্রো ’সি তান্থোকখ্রো।”

মাগী মরূপ্তুনা বিলদা হায়রকই। মখোয়না থোঙদু হাংদোক্লম্মী অদুগা হায়নরিবা অদুবু য়ানীংদবা উত্তুনা নোকমি নোকমি য়েংদুনা লৈরিবা সার মোহন্দা লৈশিল্লক্লম্মী।

“রিজার্ভনি”, বিলনা কন্না লাউরকই।

“খঙঙে? রিজার্ভনি। আর্মি-ফোজি,” জিম্না মাগী শেৎলিবা খাকিদুদা খুদোম্বীনা থিল্লদুনা খংহায় হায়রকই।

“একদম জাও - থোকখ্রো চৎলো।”

“আই সে, আই সে, সিয়োরলি...,” সার মোহন্না মাগী ওক্সফর্দতা তম্লকপা খোল্লে - খোন্দুদা শীজিন্নদুনা য়েৎনবা হোৎনরম্মী।

সিপোয়শিংদু হাইফেৎ লৎকক তৌরম্মী। মহাক্লা ঙাঙলিবা ইংলিসতুসু ইংলিস মচাশিংনা ঙাঙবা তশেংবা ইংলিসতুগুম তারম্মী। অদুবু মখোয়না মনাদা তারিবা অদুদগীদি হেন্দোক্লা খঙই। মতাংসিদা রেলগী ইঞ্জিন্দু ঙংখৎলক্লে। অদুগা মাগী অশংবা মচুগী ফিরালদু হাইদুনা চৎকদৌরে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরি।

সিপোয়শিংদুনা সার মোহন লালগী সুইটকেসতু লৌখত্তুনা প্লেটফোর্ম তম্না লংথোকখিরম্মী। সার মোহন অশাউবনা থুমহৎলম্মী।

“নাতৈ চাদবা। মথোঙ হুক্তবা,” মহাক্লা অশাউবা খোঞ্জেলদা ইংলিস লোলদুনা লাউরম্মী। “ঐনা নখোয়বু ফাহনগনি, গার্দ-গার্দ...।”

বিলগা জিমগদু অমুকসু লৎকক তৌরম্মী। ঙাঙলিবদু মখোয়না ইংলিসকুম অমুকসু খল্লুরি। অদুবু মদু মখোয়গী মফমদদি করিসু কান্নদবা হায়বদু ওইরে।

“নচিন্দু খুমনু!” হায়দুনা জিম্না সার মোহন লালগী মায়দুদা খুৎচাউদুনা পাক্লা থাজিল্লম্মী। ট্রেনগী ইঞ্জিন্দু হুইশল খোংবগুম ঙংলদুনা চেনবা হৌরক্লে। সিপোয় অনীদুনা সার মোহন লালবু মশাইগল লাক্তুনা রেলগী মপান্দা লংথোক্লম্মী। মহাক তুং হন্দুনা তারম্মী। মাগী বেদ্দিং মথক্তুদা শিত্তুনা ওল্লগা সুইটকেস মথক্তুদা মখোল থোক্লা তাশিল্লম্মী। সার মোহনগী খোঙশিংদু লৈমায়দা ফাজিনখ্রবগুম থাংবা থোকখিদ্রে। মাগী মপা লান্থোক্তুনা য়াঙনা চেনখ্রিবা রেলগাড়ীগী মৈ ঙানবা থোঙনাউশিংদু তম্না উপায় লৈতনা য়েংদুনা লেহৌরম্মী। অঙাঙবা মৈ অমা থানবা মমৈথংদা রেলগী শরুক্তসু ইরোয়ননা অদুম্মক চেনখ্রি। শন্ত্রিদুনা মখূৎতা ফিরাল অমা হাইরদুনা থোঙবাদুদা য়ান্দুনা লেপ্পি।

ইন্টর-ক্লাস জেনান কম্পার্টমেন্টতা নোয় পেল্লবী লাচমিনা, নাতোন্দা য়াল্লিবা হিরা থাম্বা কাঙ্গোই নাশিকা অদুদা ষ্টেসনগী মৈঙাল অদুদা অরংবা কাপ্লদুনা ফল্লি। মাগী মচিন্দু ষ্টেসন লান্থোকপগা ওথোক্লুনবা খাঙজিল্লিবা ক্বাদাংদুনা পোমথোকহল্লে। য়াঙনা চেল্লিবা রেলগাড়ী অদুনা মৈ ঙাল্লিবা ষ্টেসন অদু হেক লান্থোকপগা সার মোহন লালগী লোয়নবী লাচমিনা মাগী খাঙজিল্লিবা অঙাঙবা ক্বাদাং মহীদু অমুক্তদা য়াঙনা কামথোকখিরম্মী ।।

*(মণিপুরীদা : সনসম নবদ্বিপ)*



খুশৱান্ট সিংহ ( ১৯১৫ - ২০১৪)

*ট্রেন টু পাকিস্থান* গী অইবা হায়না লৈবাক মীয়াম্না থোইদোক্লা শকখঙনখিবা খুশৱান্ট সিংহ ঙসিনা পকিস্থানগী লমখৈগী মনুংদা চনখ্রবা পঞ্জাবকী হডালি হায়বা লমদম অসিদা পোকখি। মহাক্কী অপোকপা সোভা সিংহ অফাওবা আর্কিটেকচরনি। খুশৱান্ট মহৈ-মশীন তম্বগী লমদদি অফবা মতিক চাবা এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনদা লাইরিক তম্বা ফংলকখি। নোভেলিষ্ট অমদি জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা থোকইদোক্লা শকখঙনখিবা অইবা অসি পুন্সিগী অরোইবা শরুক্তদি য়াম্না নুংঙাইতবা পুন্সি মরেল অমদা লেনখি ।।